**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 23-10.2024)**

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি-রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা স্কুল অমসুং কলেজশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিংগী মতম খরগী ওইবা য়ুম লিশিং তরেৎ শারগনি।

মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটকী দরবার হোলদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শ্রী বিরেননা হায়-লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিংগী লৈনবগীদমক য়ুম লিশিং তরেৎ শাবদা কেন্দ্র সরকারনা অয়াবা পীরে। মতম খরগী ওইবা য়ুমশিং অসি বিষ্ণুপুর জিলাদা লিশিং ১,০১৫, চান্দেলদা ৫১১, চুরাচান্দপুরদা ১, ৩৩১, ইম্ফাল ইষ্টতা ৫৯৪, ইম্ফাল ৱেষ্টতা ২২৫, ককচিংদা ১,২১৭, কামজোংদা ৭৪, কাংপোকপীদা ১,৮১৩ অমসুং তেংনৌপলদা ৮৮০ নি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-প্রধান মন্ত্রি অৱাস য়োজনাগী মখাদা ফংলিবা শেনফম অসিনা কোন্নদবদগী মোইরাংগী ফুবালা, সেরি-কলচর ফার্ম, কাংপোকপী অমসুং চুরাচান্দপুরদা য়ুম লিশিং ২,৫০০ শানবা লুপা লাখ মরি-মরি পীবিনবা হায়জখি। শেনফম অসি কায়থোকপীরকপগীদমক প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি অমসুং গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহবু থাগৎপা ফোংদোক্লি।

মহাকা হায়-দিৱালি অমসুং নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈগী মাংওইননা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংদা মঙাশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা লুপা লিশিং অমমম পীরগনি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-রাজ্য সরকারগী কর্ম্মচারিশিং অমসুং পেন্সনরশিংগী থাগী তলব ওক্তোবর ৩১ গী মমাংদা পীরগনি।

মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা মখা তানা হায়-চিং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎনবা কেন্দ্রনা অহেনবা লুপা কোতি লিশিং অমা অথুবা মতমদা কায়থোরক্লগনি। তম্পাক্কী মফমশিংদা অথুবা মতমদা

কংক্রিতকী লম্বীশিং শেম্বা হৌরগনি। মহাকা হায়-চিংগী জিলাশিংগী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট হেদক্কাটরসশিংগী অকোইবা কিলোমিটর ৮ দগী ১০ ফাওবা লুপা কোতি ১৭৫ চংনা পায়খৎকনি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-রাজ্য সরকারনা চিং অমসুং তম্পাক্কী পুন্না লম্বী ১১৭ শেমনবা প্রস্তাব তৌবদা সেন্ট্রেল রোড এন্দ ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফন্দগী মখাদা লম্বী ৫৭ কীদমক লুপা কোতি ২১৭ কায়থোরক্লে। লেমহৌরিবশিং অথুবা মতমদা য়ারক্কনি হায়বগী থাজবা ফোংদোক্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-নোংলৈ নুংশিৎ-রেমালনা মাঙ তাকহনখিবা অদুগীদমক লুপা কোতি ১৭০ কায়থোকপদা অয়াবা পীরে। রাজ্য অসিগী নেসনেল হায়ৱেশিংদা পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিংগী মরক্তা লৈরিবা চয়েৎনবশিং কেন্দ্রগী রোড ট্রান্সপোর্ট অমসুং হায়ৱেজ মন্ত্রি-নিতিন গদকারিনা মতম চানা খুৎ থিংজিনদুনা লোয়শিন্নবা হোৎনবীববু শ্রী বিরেননা থাগৎলি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-রাজ্য অসিদা লুপা কোতি ২২০ চংনা মালেম থাক্কী ফুটবোল ফিল্ড শেমগৎননবা কেন্দ্রগী পার্লিয়ামেন্টরি অমসুং মাইনোরিতি এফিয়ার্স মন্ত্রি-কিরেন রিজিজ্না অচেৎপা থাজবা পীরক্লে। ফুটবোল ফিল্ড অসি শাগদবা মফম অথুবা মতমদা খঙদোক্লগনি।

**ককচিং (এল)ঃ** ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী অপুনবা কাংবু অমনা ঙসি অয়ুক অঙনবদা ককচিং জিলাগী মনুং চনবা ৱাবগাই বাফেলো ফার্মদা থিবা হুম্বগী থবক চথখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়-থিবা হুম্বা অদুদা শকখঙদবা মীওইশিংনা থমজিল্লম্বা ওইরমগনি হায়না চিংনবা চেং বোড়া অমদা য়াওরম্বা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎপা ঙমখি। ফাগৎলবা খুৎশু খুৎলাশিং অদুগী মনুংদা-ইনছাস রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা কন্ত্রিমেদ নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, করবাইন মেগজিন অহুম, পোইন্ট থ্রি সিক্সকী হেন্দ গ্রেনেদ অহুম, কাপ্পা য়ারিবা নাইন এম.এম. মরু অহুম, টিয়ার স্মোগ গ্রেনেদ অনি, টিয়ার স্মোগ সেল মরি লোয়ননা অতৈ

পোৎলম কয়াসু ফাগৎপা ঙমখি। পুলিসনা কেস অমা লৌখৎতুনা মখা তানা থিজিল্লি।

**চান্দেল (এল)ঃ** চান্দেল জিলাগী নাগাশিংগী চহিগী-কুম্মৈ চভান কুমরেন ঙসি জিলা অসিদা পাঙথোক্লি।

কুম্মৈ অসি লৌরোক পন্থা হৌবগী কুম্মৈনি। নুমিৎসিদা মীয়ামনা মখোয়গী অহানবা লৌরোক্কী খ্বাইদগী ফবা মহৈ-মরোং ঈশ্বরদা কৎতুনা চহি চুপ্পা মহাকা নুংশিবীবা অমসুং থৌজালবীবা অদুবু থাগৎতুনা কুম্মৈ অসি পাঙথোকপনি।

অকাশবানিগী চান্দেল পাউমীনা হায়-কুম্মৈ অসি চান্দেল জিলাগী নাগাশিংনা নিংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী পাঙথোক্তুনা লাকপনি। কুম্মৈ অসিগীদমক ওক্তোবর ২৩ অসি ১৯৭৮ দগী জিলা অসিগী মীয়ামগী ছুতি ওইনা মতমদুগী জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা লাউথোকখি।

চভান কুমরেন নৎত্রগা চভান কুমরিন নৎত্রগা ভুরিন ইশা নৎত্রগা ভুরেন পে হায়রগসু খঙনবা কুম্মৈ অসিনা লাকপদা এস.এস. ওলিস-এম.এল.এনা মীয়ামদা মপুং ওইনা চান্দেল জিলাগী নাগাশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

**সিএসও(এল)ঃ** মনিপুরগী চিংগী জিলাশিংদা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল শেম্বগী মতাংদা হিল এরিয়াজ কমিতিনা লৌরকখিবা ব্রারেপ, তাংখুলগী সি.এস.ওশিংনা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

তাংখুল নাগা লোং (টি.এন.এল) গী প্রসিদেন্টকী চেম্বরদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা টি.এন.এলগী প্রসিদেন্ট-সোর্দ বাশুমনা হায়-হিল এরিয়াজ কমিতিগী ব্রারেপ অসি গনতন্ত্রগী মায়োক্তনি।

মতম খরগী ওইবা মওংদা সেলেক্সন তৌদুনা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল শেম্বগী মতাংদা হিল এরিয়াজ কমিতিনা লৌরকখিবা ব্রারেপ অদু তাংখুলগী সি.এস.ওশিং মরুওইনা তাংখুল সনাউলোং, তাংখুল কতমনাউ সাকলোং

অমসুং তাংখুল নাগা লোংনা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

**তমেংলোং (এল)ঃ** তমেংলোং জিলাগী তৌসেম সব দিভিজনগী মনুং চনবা মকুৱাই ভিলেজপু জৈলাদ ৱাইল সেঙ্কচুরি ওন্থোক্কনি হায়বা ৱাফমবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ৱাইল লাইফ সেঙ্কচুরি অসিনা শোকহনগদবা খুলশিং মরুওইনা মকুৱাই, চারিনপাং, লম্পা-নকাং, লম্পা-নিংদি, চিংকাউ, তাইজিজাং, তোংতাউ চিংখোংলোং অমদি মসিগা নকনা লৈরিবা খুলশিংনা রেল্লি পাঙথোকখ্রে। রেল্লি অদুদা শরুক য়াখিবা অমনা ফোংদোরকপগী মতুং ইন্না-খুঞ্জাশিংগী অয়াবা য়াওদনা মখোয়গী খুলশিং জৈলাদ ৱাইল সেঙ্কচুরি ওইনা লাউথোকখিবনি অমসুং ৱারেপ অসি ৱাইল লাইফ প্রোটেক্সন এক্ট ১৯৭২ গী মায়োক্তনি।

**মৈ (এল)ঃ** এম.এস.পি.দি.সি.এলনা ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা মৈ হুরালম্বা কঞ্জুমর ২৯ ফাগৎলে।

মখোয়দুগী মনুংদা-ইম্ফাল ইলেক্ট্রিকেল দিভিজন ৱানদগী কঞ্জুমর, দিভিজন টুদগী অহুম, দিভিজন থ্রি অমসুং ফোরদগী অহুম-অহুম, ককচিং দিভিজনদগী তরেৎ, বিষ্ণুপুর দিভিজনদগী অমা, সেনাপতি দিভিজনদগী ১১, জিরিবাম দিভিজনদগী অহুম য়াওরি।

এম.এস.পি.দি.সি.এলগী চেরোল অমনা হায়-খাজনা থিরমদবা কঞ্জুমর ১৪ গী মৈ ককথৎলে।

**নুপী (এল)ঃ** ওল মনিপুর নুপী মরুপ কোন্থৌজম কেন্দ্র এরিয়া কমিতিগী জেনরেল বোদি মীফম ঙসি কাংমোং মৈস্নাম লৈকাই পিছ কোটেজতা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগা লোয়ননা মনিপুরগী ঙমখৈ কন্নবগীদমক লান্থেংনরিবা অসিদা লুপ

অসিনা মখা তানা শরুক য়াখিগনি হায়না ৱারেপ লৌখি।

**নোং (এল)ঃ** ইন্দিয়ান মেতিওরোলোজিকেল বিভাগনা উরিষ্যা অমসুং অৱাং নোংপোক ভারতকী মফম কয়াদা ঙসি পাক্তননা নোং চুগনি হায়রি।

বিভাগ অসিনা হায়-বঙ্গোব সাগরগী নোংপোক-ময়াই থংবা শরুক্তা দিপ্রেসন লৈবা মরমনা নোংলৈ নুংশিৎ কনশিল্লক্লি। মসিনা খা ভারতকী মফম কয়াদসু নোং তাগনি।

ইন্দিয়ান মেতিওরোলোজিকেল বিভাগ, ইম্ফাল সেন্টরগী পাউ মতুং ইন্না রাজ্য অসিগী জিলা পুমমক্তা অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুগনি। তমেংলোং, সেনাপতি, উখ্রুলগী মফমশিংদা হয়েং অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুগনি। হায়রিবা ফিভম অসি মথংগী নুমিৎতসু অহোংবা লৈরোই।

**পিএমঃ** টেরোরিজম অমসুং টেরোরিষ্টশিংদা শেল থাদবা অমত্তা ওইনা পুন্না থেংনমীন্নবা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ব্রিক্স লৈবাকশিংদা আপিল তৌরি।

মহাকা হায়-অসিগুম্বা য়ামা লুবা হীরম অসিদা মমায় অনি লোংবগী মফম লৈরোই। রাসিয়াগী কজানদা পাঙথোকপা ১৬ শুবা ব্রিক্স মাফমগী প্লেনেরি মীফম লোয়শিনবগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়-নহাশিংগী মরক্তা ধর্ম্মগী মিংদা হকচিনবগী ৱাখল্লোন থিংনবা থৌরাংশিং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈ। সাইভর সেক্যুরিতি অমসুং আর্টিফিসিয়েল ইন্টিলিজেন্স (এ.আই) অশোয় অঙাম য়াওহন্দনবগীদমক মালেমগী ওইনা পুন্না থবক তৌমীন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

টেকোলোজিগী লম অসিদা সাইভর সেক্যুরিতি, দিপ ফেক ন্যুজ অমসুং লান্না পাউ শন্দোকপা অসি অচৌবা শিংনবা অমা ওইরক্লি অমদি মসিবু থিংনবা হোৎনবদা ব্রিক্স লৈবাকশিংদগী চাউরবা থৌদাং লৈ। মহাকা হায়-টেরোরিজম, ক্লাইমেট চেঞ্জ, লান, মুকবা অমসুং শেল থুমগী ফিভমদা লৈখায় তাদবা য়াওনা

মালেমগী মফম কয়াদা হৌজিক থেংনরিবা শিংনরিবশিংগী মরক্তা ব্রিক্স মীফম পাঙথোকপা অসি মতম চপ চারে।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা চাইনাগী রাস্ত্রপতি-সি.পি.জিংগসু উন্নদুনা লৈবাক অনিগী ওইবা ৱাফম কয়া খন্নখি।

**বিএসএনএলঃ** সবসক্রাইবরশিংগী পুকিং চিংশিন্নবগীদমক ভারত সনচার নিগম লিমিটেদ (বি.এস.এন.এল) না মীয়ামদা হেন্না কান্নগদবা সার্ভিস তরেৎ হৌদোক্লগনি।

কেন্দ্রগী কম্যুনিকেসন মন্ত্রি-জোতির অদিত্যা সিন্ধিয়ানা হায়-ফোর জি হেক হৌদোরকপদগী থা তরুক অসিদা বি.এস.এন.এলগী সবসক্রাইভর অসি লাখ ৭৫ তগী কোতি অমা লাখ ৮০ দা হেনগৎলে।

কম্পানি অসিগী অনৌবা লোগো অমসুং মীয়ামদা কান্নগদবা সার্ভিস তরেৎ হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা মন্ত্রিনা হায়-ভারত অসি মশাগী ওইবা ফোর-জি টেলিকোম নেটৱার্ক শেমগৎপা লৈবাক তরুক্কী মনুংদা অমনি। হায়রিবা ফোর জি টেলিকোম অসি অথুবা মতমদা ফাইব জিদা ওন্থোক্লগনি। মহাকা হায়-বি.এস.এন.এলগী অনৌবা লোগো অসিনা মপাঙ্গল, থাজবা অমসুং মীয়ামনা লায়না য়ৌবা ঙম্বগী খুদম ওইরি। অনৌবা লোগো অসিগী মথক্তা বি.এস.এন.এলগী অনৌবা থৌরাং তরেৎ হৌদোক্তুনা দিজিটেল সেক্যুরিতি মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা কম্যুনিকেসন অমসুং করমা মীপুম খুদিংমক্তা শমহনগদগে হায়বসিদা অওনবা পুরকবনি।

অনৌবা থৌরাং তরেৎ অদুদি-স্পাম ফি নেটৱার্ক, নেসনেল ৱাই-ফাই রোমিং, ইন্ত্রানেট ফাইবর টি.ভি, এনি টাইম সিম কিয়োক্স, দাইরেক্ট টু দাইরেক্ট সার্ভিস, পাব্লিক প্রোটেক্সন এন্দ দিজাস্তর রিলিফ অমসুং ফাষ্ট প্রাইবেট ফাইব জিনি।

**এফএমঃ** কেন্দ্রগী ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী সেনিয়ার ইকোনোমিক এদভাইজর-আর.কে. জেনানা হায়রি-লৈবাক অসিগী সহর ২৩৪ দা লন্নাই এফ.এফ. রেদিও চেন্নেল ৭৩০ হাংদোক্লগনি।

রাঞ্চিদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা মহাকা হায়-এফ.এম. রেদিও চেন্নেল ১৯ না ঝরখন্দগী জিলা তরুক-বোকারো, দিওঘর, ধনবাদ, গীরিধি, হজারিবার্গ অমসুং মেদিমি নাগরনি। মহাকা হায়-এফ.এম. রেদিও চেন্নেলশিং অসি হাংদোক বা নিলাম তৌবগী থবক হৌরে। মীয়ামনা নম্বের ১৮ ফাওবদা দরখাষ্ট থারকপা য়াগনি।

**পঞ্চায়টঃ** পঞ্চায়ট রাজ মন্ত্রি-রাজিব রঞ্জন সিংহনা হয়েং ন্যু দিল্লিদা গ্রাম পঞ্চায়ট থাক্কী ৱেদর ফোরকাষ্ট হৌদোক্লগনি।

পঞ্চায়েটি রাজ মন্ত্রালয়না ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল বিভাগকা পুন্না খুৎশমদুনা থৌরাং অসি হৌদোক্কদবনি। থৌরাং অসিনা গ্রাম পঞ্চায়ট থাক্তা নুমিৎ মঙানি খুদিংগী নোং চিংগী ফিভম মাংজোননা খঙহন্নবা অমসু পুং খুদিংগী নোং চিংগী ফিভম য়েংশিন্নবা খুদোংচাবা পীগদৌরি। থৌরাং অসিনা খুঙ্গংদা লৈরিবা মীওইশিংবু হেন্না শক্তি পীদ্না গ্রাস রুট থাক্তা থোকহল্লক্কদবা খুদোংথিবশিং মাংজোননা শেম শানবনি। মসিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা লৌমীশিং অমসুং খুঞ্জাশিংদা হকথেংননা কান্নবা পীরগনি।

**ফুটবোলঃ** নিয়ামনিং বেপটিস চর্চ অমসুং খাংচিয়ুলান বেপটিস চর্চ তমেংলোং মিণি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা গোসপেল য়ুথস সোক্কর ২০২৪ গর ফাইনেল চংখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা-নিয়ামনিং বেপটিস চর্চনা থালোন বেপটিস চর্চপু পেনালতি সুট আউটতা পাঞ্জল ৫-৩ দা থোইখি। অনিশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা খাংচিয়ুলান বেপটিস চর্চনা চেংদাই বেপটিস চর্চপু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে। ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ২৫ দা শান্নরগনি।

**হোকিঃ** ন্যু দিল্লিগী মেজর ধিয়ানচান্দ নেসনেল ষ্টেদিয়মদা চথরিবা নুপাগী হোকিগী মেটচ অমদা জর্মনিনা ভারতপু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেটঃ** ভারত অমসুং ন্যুজিলেন্দগী মরক্তা শান্নগদবা অনিশুবা টেষ্ট মেটচ হয়েং পুনেগী মহারাস্ত্র ক্রিকেট এসোসিয়েসন ষ্টেদিয়মদা শান্নরগনি। মেটচ অহুম শান্নগদবা সেরিজ অসি ভারতনা ১-০ দা মাংজিল থারি।